ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯖꯨꯟ ꯱꯱, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯳ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯷꯳ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

লৈবাকপোকপা, জুন ১১, ২০১৯, ইম্ফাল

৪৩শুবা চহী, ৭৩শুবা মশীং

# নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী ৱাথোক

## য়াশিন্নবা পুরক্তুনা অতোপ্পা ষ্টেটতা হোংখিদনবা হোৎনহন্নিংই

ইন্দিয়াদা অহানবা ওইনা মণিপুরদা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি লিংখৎনবগী থৌরাং লৌখৎলক্লিবসি শান্ন-খোৎনববু পামজবা ষ্টেট অসিগী ওইনা চাউথোকচনিংঙাইহনি। মালেমগী থাক্তা শানবগী অথোই-অহেন তান্নবা থৌরমশিংদা লমদমসিগী শান্নরোয়শিংনা মরু ওইবা মফম কনবা ঙম্বগী থৌওংবু শক খঙবীবা ওইনা ইন্দিয়াগী অহানবা অমসুং এসিয়াগীনা অহুমশুবা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শানবা থৌরাং লৌখৎলকপনি হায়বা য়াই। এসিয়াগী ওইনা চাইনা অমদি জপান নৎতনা অতোপ্পা লৈবাক অমত্তদা অসিগুম্বা মখলগী য়ুনিভর্সিটি লৈত্রি। মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা ওলিম্পিক্স য়াওনা মালেমগী থাক্তা পাঙথোকপা শান্নবগী অথোই-অহেন তান্নবা থৌরমশিংদা মনা কয়া লৌরকপদগী ষ্টেট অসিবু ইন্দিয়ন স্পোর্টসকী পাৱরহাউসনি হায়না খঙনবা হৌরকখি। শান্নবদা পূক্নিং লুপচবা ষ্টেট অসিদা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি লিংখৎলগনি তাবদা মীপূম খূদিংমক অসুক্কী মতীক হরাওবা পোক্লখিবনি। এদ্যুকেসনগী করিক্যুলমদা স্পোর্টস য়াওহন্নবগী পান্দমদা লোক সভানা মমাঙ চহীগী ওগষ্ট ৩ দা 'নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি বিল ২০১৮' পাস তৌদুনা মণিপুরদা নেসনল য়ুনিভর্সিটি লিংখৎনবা থৌরাং লৌখৎলকপনি। কুমজা ২০১৮গী মে ৩১ দা চৎনহনখিবা ওর্দিনান্স অমগী মহুৎ শিন্নবগী মতাংদা পাস তৌখিবা বিল অদুগী মতাংদা মতমদুগী য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর রাজ্যবর্ধন সিংহ রাথোরনা হায়খি, স্পোর্টস কোচিং অমসুং রিছর্স চাওখৎহন্নবগী পান্দমদা লুপা ক্রোর ৫২৪ চঙনা মণিপুরদা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি লিংখৎলগনি। কুমজা ২০১৭ কী ওগষ্টতা অহানবা ওইনা বিল অদু লোক সভাদা পুথোকপদা পাস তৌবা ঙমখিদবা মরম্না ওর্দিনান্স ওইনা চৎনহনখিবনি। পার্লিয়ামেন্টনা পাস তৌখিবা লেজিসলেসন অদুগী মতুং ইন্না মমিং লৈরবা শান্নরোয় অমবু য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর ওইহনবগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা মফম অমদি মপান লৈবাক কয়াদসু আওটলাইয়িং কেম্পস হাংদোক্কদবনি।

ইন্দিয়াগী অহানবা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি মণিপুরদা লিংখৎলগনি তাবদা শান্ন-খোৎনববু পামজবা মীপূম খূদিংমক হরাওবা পোক্লখিবনি। অদুবু য়ুনিভর্সিটি শাগদবা মফম খনবগী মতাংদা চাউনা য়েৎনবা থোরকখি। ষ্টেট অসিদা কোংগ্রেসকী লৈঙাক লৈরিঙৈদা মতমদুগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্তকী য়াইথিবি লৌকোলদা য়ুনিভর্সিটি শানবা থৌরাং লৌখৎখি। লৌ উনরিবা লৌফমদা য়ুনিভর্সিটি শাবা য়ারোই হায়না মফমদুগী মীয়াম্না অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকপদগী অচৌবা ৱাথোক অমা থোকখি। অদুবু ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী কৌত্রুকতা য়ুনিভর্সিটি শানবগীদমক একর ৩৫০ পাক-চাউবা মফম শেল অমত্তা লৌদনা পুথোক্কে হায়না মফমদুগী মীয়াম্না ফোঙদোরকপদগী ৱাথোক অদু লোইশিনখি। কৌত্রুক্কী খুঞ্জাশিংনা পূকচেল চাউবা মওংদা লৌরকখিবা ফিরেপ অদুনা লমগী কম্পেন্সেসন পীবদা তিংগদবা লৈঙাক্কী লুপা ক্রোর কয়ামরুম কনবা ঙমখি। কুমজা ২০১৬ তা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ইম্ফালদা লাক্লম্বা মতমদা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শানবগী উরেপ-উয়ুং তমখিবগা লোয়ননা ইম্ফালগী খুমন-লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসনগী ওলিম্পিক ভবনদা কেম্প ওফিস হাংদোকখি। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা শুপ্নগী মীওই অহুমখক মেন ওফিসতা থবক হাপ্লকখিবগা লোয়ননা গ্বেলিয়রদা লৈবা লক্সমিবাই নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ ফিজিকেল এদ্যুকেসনগী জয়াশ্রি অচারিয়াবু দীন; থবক্তগী পোৎথারবা আই এ এস ওফিসর কে রাধাকুমারবু রেজিষ্ট্রার অমদি থবক্তগী পোৎথারবা মেজর ৱাই অঙম্ববু প্রোজেক্ট দিরেক্টর ওইনা হাপখি। স্পোর্টস কোচিং, ফিজিকেল এদ্যুকেসন অমসুং স্পোর্টস সাইকোলোজিদা মহৈরোয় ২৩ ক্লাস তৌবা হৌখিবগা লোয়ননা য়ুনিভর্সিটিগী মথৌ হৌখ্রবসু মরু ওইবা সবজেক্ট অয়াম্বা মপানগী ষ্টেটশিংদা আওটলাইয়িং কেম্পস হাংদুনা তমহনবগী ৱাফম লাক্লবদা মমিংতগী ওইবা য়ুনিভর্সিটি অমা মণিপুরদা হাংগদৌরে হায়বা ৱাফম থোরকখি। মসিদসু নৎতনা অতোপ্পা মফম অমদা য়ুনিভর্সিটি শারগা য়াইথিবি লৌকোলদা ফুদ পার্কনচিংবা শানবগী প্রোজেক্ট পায়খৎলক্লে হায়বা ৱাফমগা মরী লৈননা মীয়াম থোরক্তুনা ইম্ফাল-মোরে লম্বী থিংবগী খোঙজং চঙশিল্লকপদা অশোক-অপন য়াওবা লৈখ্রে। ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা য়াশিন্নবা পুরক্তুনা অতোপ্পা ষ্টেটতা য়ুনিভর্সিটি শাহনখিদনবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### চীংলোন ৯ ওইরমদ্রে

ঈকায় খুম্নজরিবা এদিটর,

কংলৈপাক (মণিপুর) তোকঙা শন্দোকপা হৈবা মী য়াম্না লৈবা লমদমনি, অনী থোকপী হায়বা ৱাহৈ অসিসু মৈতৈ ওইরম্বদগী ফীভম অমনা মীয়ান লাইনীং নমদুনা লৌখিবা মতমদুদগী অশেংবা অনী থোকপী হায়বসি মৈতৈগী থন্মোয়দগী হৌখি। মপালদা নিংথৌ অমদি মনাই অচানবশিং য়ানবা তৌশিন্নবা অমা মনুংদনা অশেংবা সনামহীগী লাইনীং; ঙসিদি অনীদা নত্তে ৩/৪ থোকপী, ৭ থোকপী মণিপুর ওইররে। লৈবাকসিগী অপূনবা মৈরা পায়বী, পুন্দবা মৈরা পায়বী, লৈকায়, খুল, দিষ্ট্রিক্ত অমদবু করি মতৌনোনে। ক্লবসু, সী এস ওসু, মহৈরোয়সু, এন জি ওসু, অপূনবগী মীংদা পুন্দবা ঙাক্তা, মসিগী মথক্তা পোলিটিসিয়নশিংগী পার্টি/পার্টিগী খেন্নবা মরন্নাইগী শেমগৎ শাগৎনবা কাং খোং চাইহন্নবা (মশা মশাদি খঙশিন্নদে) লেপ্পা লৈতনা চঙশিল্লি, অতোপ্পা নাকল অমরোমদনা সী দি ও/আর্মিশিংনা মখোয়গী খূৎচাবী শেমগৎপা লেপত্রি (লালহৌবা লৈবা লৈবাকনিনা)। তিঙ্খাং অমা য়ুরদি তিঙ্খাং অমনা হন্দোকউ হায়বগুম খূৎলায় পায়বা অরোৎপশিংগী অরোনবশিং খঙদোক্কে হায়রদি খূৎলায় পায়বা অরোৎপা শেমগৎলগা থিজিন হুমজিনবগী মরী মখোং থিনৈ, লায়না লায়নসু পাউ চুম্না ফংবা ঙম্মীসু হায়নৈ, হায়নবগী ৱানি অশেংবদি অইবসু খঙজ দে, ৱাখলনা শাগৎপা হায়দুনি। (নুংতিগী ফোঙলিবা পাউচে, ঈ-পাউ ময়াম নৈনরকপদগী, খঙহৌবা খরা খরসু য়াওই) তোকঙাগী মরুমদা অচুম্ববা ইনরকপসু য়াম্না লৈখি। এগজিৎ পোলদা শন্দোক্লগা ভোট অদুম কাখি। হৌজিক লাকচগদৌরিবসিনা মণিপুরীশিং অসি লাইরিক লাইশু হৈবসু য়াম্নদি লৈরে। খঙবা হৈবা থিজিন হুমজিনবা য়াম্না কনবা মীওইসু মশীং ৱাত্তে। ৱাহৈগী ওইনদি য়াম্না ফজবা চীংলোন মাপন্না কোয়শিনবা হায়বসিদা নৈনবা হৌরকপনি। স্কৱার কিলোমিটর ২২,৩২৭ পাক চাউবা মণিপুর অসি চীংগী শরুক্না মাপন, তমগী শরুক্না অমা অহানবদা ফংলিবসি পাক চাউবা তাকপীরম্বা ওইনা ফংই। অনীশুবদা চীংদা লৈবা চীংমীশিংগী লোল ঙাঙবা (চীং + লোল = চীংলোল) অপূনবা তরা থোকপগী শরুক্তা শরুক ৯দা লৈবশিংগী ৱাফমসু ফোঙবীরম্বা ওইনা ফংই। অহুমশুবদা ন্যুজ (নোর্থ-ইষ্ট-ৱেষ্ট-সাউথ) মায়কৈ মরিগী পাউদা য়ূম্ফম ওইরগা কুমজা ১৯৯৬কী এপ্রিল অদুৱাইদা বিষ্ণুপুরদগী গঞ্জা করবার তৌবা মীওইনি হায়বা মীওই খরনা অসুম্না হায়, জিরি ফাওবা তোইনা খোঙনা লম্বী হোং হোংদুনা হঙ্গৎ হন্দা চৎলি, চীংলোন অমগা অমগা মরোল মরোল নাইনা লৈবদি থেংনৈ অদুবু মাপনদি নত্তে, য়ামখ্রে, কুমজা ২০০০গী ফেব্রুৱারীদনা হৈরোক মায়কৈদগী বর্ম্মারোমদা ষণ করবার তৌবা মীওই খরনা হায়বিরম্মী ঐখোয়দি বর্ম্মা কায়সি চীংলক্তা খোঙনা চৎমন্দনা ষণগী খোঙদগী ঐখোয়না হেন্নবু কল্লেদা, মখোয়না হায়বদা চীং ঙাক্তনি মরোল মরোল ৯দি লৈতে হায়। সী সীপুরদগী মিজোরাম ফাওদোকপা অদুগা অৱাং মায়কৈদনা লিটান্দগী নাগালেন্দ য়ৌবসি চীংলোন য়াম্মী, ৯দি নত্তে হায়না। অরোইবদা ইন্দিয়াগী রিমোর্ট সেন্সিং সেটিলাইট দিপার্টমেন্টনা য়েংদৌ ঙাইরে। পুৱারীগী ৱাহন্থোকসি পূন্না চুম্না খঙমিন্নবা, য়ামীন্নবা মথৌ তাই। চীংলোন ৯না কোয়শিনবা হায়বদি অপূনবা পাক চাউববু শরুক ১০গী মনুংদা ৯না চীং, অমনা তম্পাক হায়রম্বনি। চীংশাং মরোল মরোলগী ৱাফম নত্তে, তম্পাকসি চীংনদি কোয়শিল্লি, চীংনা কোয়শিনবনিনা চীংদা খুন্দারিবা মীওইশিংদুসু কোয়শিনবদা অদুম য়াওরি। মরম অসিনা লাই হাক্তক্তগী লৈরক্লবা লৈবাক ইরৈবাক ইরমদমসিগী পাক চাউবসিবু কাওদনবা নীংশিংদুনা তুংদা লৈহৌগদবা মীওইশিংদুনা খঙহৌনবা চীংথাং য়ৈনা থম্বীরম্বা ৱাহৈনি চীংলোন মাপন্না কোয়শিনবা হায়বসি, চীং মরোল মরোল অদু নত্তে।

হায়জনীংবদি হীরম অসিদা মরী লৈনবশিংনা লৈবাক্কী ওইনা অচুম্বা অমখক থম্নবা পুথোকহন্নীংই।

*অদোমগী - সোভানদি, তেরা কৈথেল*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৭

১। মণিপুরগী নিংথৌ ফম্বাল লান্দা ইরেংবম থুন্দাংবগী লান অসিসু অমনি। মী য়াম্না শিখি, মশামক ফারগা হাৎখিবনি।
(ক) ফম্বাল লান অদু করম্বা চহীদা থোকখিবগে?
(খ) ফম্বাল লান্দু থোকপা মতমদা লৈরম্বা পোলিটিকেল এজেন্ট অদুগী মমিং হায়য়ু।
২। "লৈরাংত লৈরাংনি ঐগী পামজবা শৈরেংদি/...মাগী নুংশি মঙলান্দা/শানৌ ঙাইহাক মাঙজরবা/য়ারে লৈরাং।" পরেংশিংসি কবিরত্ন লাইশ্রম সমরেন্দ্রগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।
৩। "কৈশাম প্রিয়কুমারগী ৱারীমচা অমদা 'নোংনা ফূদিৎ ফূন্না চুবা অহিং অমদা পাখঙমচা অমনা কোম তৌবা, অদুগা কোম অদুদা পাখঙদুমক ফূমজিনবীখিবা' উৎলি। ৱারীমচা অদুগী মমিং হায়য়ু।
৪। "শাৎচনীংবনি লৈরাং কুন্দো ওইনা/নুংশি লংলাদা লেংজরগা/নঙগী ঙকশমদা হুক্লবা" পরেং অহুম অসিনা 'ঐবু লৌবা লাক্লনি' কৌবা শৈরেং লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। অইবী অদু কনানো?
৫। "হোৎনববু কল্লবদি মহয় শোয়দনা চায় উৎপা দ্রামা লাইরিক, 'কপ্পু কপনিংলকইদা' কৌবদুগী চীংমী অইবা অদুগী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# এন্টি চাইল্ড লেবর দে জুন ১২ লাকপদা খল্লকপা ৱাখল

**হেক্তা হায়নীংলকই - ৫৫৪**

**জিতেন নামৈরাকপম**

মায় পাক্লবা মহৈরোয়শিং ওকপগী থৌরম মণিপুরগী কাচিন কোয়া থুংনা ঙসি ফাওবা লেপ্তুনা পাঙথোক্লরি। বোসেম অমদি কোসেমনা লৌখিবা ২০১৯গী চাংয়েংদা তোপ্পর তারকখ্রবশিং, সবজেক্ট লেট্টর চৎপা, ফর্ষ্ট দিভিজন, সেকেন্দ দিভিজনরশিং মীয়াম মমাঙদা পুথোক্তুনা মনা পীরি/পূক্নিং থৌগৎপীরি। তুংগী পুন্সিদা মতিক চাবা মী অমমম ওইনবা থৌজাল পীবিরি। থাগৎনীংঙাইহনি। অমদগীনা কুনমঙাশুবগী রেঙ্ক তারকপা ক্লাস টেনগী মহৈরোয়শিংগী মরক্তা হায়র সেকেন্দরি স্কুলশিংনা লুপা লাক্ষ লাক্ষ পীদুনা লৈরগা তমহল্লি হায়বগী ৱা নিনফুং নিনফুংসু ঙাঙনরি। মরমদি মহৈরোয় ৫০০/৬০০ তম্বা স্কুল অমদা টোপ্পর খরা য়াওরকপা মতমদা খ্বাইদগী ফরবা স্কুলনি হায়দুনা গ্রো গ্রো হেক্তা হুপচিন্নে। এদমিসন ফীনা য়ামদ্রবদা লুপা ২০,০০০গী ময়া ওইরি। অদুনদি লুপা লাক্ষ ১০/২০ তিংদুনা মহৈরোয় খরা শেল তিংদুনা লৈরগা লুপা ক্রোর ক্রোররোমদা খোমগৎপা য়ারে। এদমিসন ফীগী মথক্তা থাগী ফী লুপা ১৮০০/২০০০ থিদুনা তম্লিবা মহৈরোয়শিংদুদগী খোমগৎপা শেলনা পূম্নমক শিল্লিবনি। অদুনদি চপ মান্নবা ক্লাসতা তম্মিন্নরিবা মহৈরোয়দুনা মঙোন্দগী লৌখিবা পৈশাদু মহৈরোয় টোপ্পর লৈবদা ইন্দাইরেক্টলি পীখ্রবনি। মহৈরোয় মশামকসু অফবা মার্ক ৱাংবা মহৈরোয় লৈবদা য়াওরি। পূম্নমক খায়দোকখ্রগা ওজাগী তোলোপ করি করা খায়দোকখ্রগা চহী অমদা মমিং লৈরবা স্কুলশিংনা তাল্লিবা অসি লুপা লাক্ষ কয়া ওইরমগনি। ইরায় লায়না অদুমক হোৎপা য়ারে।

স্কুল লীংখৎপা হায়বসি খ্বাইদগী হেন্না শেল তোংবা করবারনি হায়বসি ময়াম্না খঙনরে। অদুননি চেঙ্গুম শৌবগুম স্কুল লীংখৎনরিবা। মঙোন্দা শেল মাঙবগী ৱাদি শুকলৈ লৈত্রে। ঠিকা তৌবদা ৱর্ক ওদর লাক্লবা, বিল তান্নবা, হায়জ নোনজবা, মনুং মপানগী পার্সেন্টেজ ময়াম খায়দোকখিবদা ওন্থোকপা লান মচা মচা থেংনৈ। অতোপ্পা করবার অমা তৌবদসু ইরায় লায়না শেলসি জোব জোব ফংবা হেক্তা য়াবা নত্তে। স্কুল লীংখৎপমুক নুংঙাইবা করবার লৈত্রে কৈনো! নুংঙাইখ্রবজাৎনি। খ্বাইদগী লেম্বা, মীনসু কৃক কৃক ইন্নবা পৈশাসি থিজরগে, পীজরগে লাক্কদৌরিবনি। মতম চানা এদমিসন তৌহৌদ্রবা নৎত্রগা ফী থিহৌদ্রগনা হায়জ নোনজরগা অমুকসু লেট ফাইন থিগদবনি। থিদ্রগনা তোকচরে। ভেন অতোংমল, স্কুল বসকী অতোংমলদি ঙাইথোক ঙাইশিন তৌনবা য়াই। শেমদবা এদমিট কার্দ পায়দ্রবা পরিক্ষা থাবা য়াদ্রে। ফর্ষ্ট টর্ম, সেকেন্দ টর্ম অদুগা ফাইনেল এগজামিনেসন হায়দনা পরিক্ষা চহী অমদা অহুল্লক তৌরিবসিসু ফী অমত্তা চিংখিদনা লৌখৎনবা ফজখ্রবা পোলিসিনি। শোমদনা অমুক এদমিনট কার্দ পায়দ্রগদি অঙাংদু কপকদৌরি। মরম অদুনা পরিক্ষা ময়া খুদিংগী পৈশা পীজরগে হায়দুনা লাকপা মীতনা কৃক কৃক ইন্নরিবসি। য়াম্না লেম্না ফমদুনা লৈরগা য়াম্না লেম্না শেল লৌশিনবতদা খূৎ চোকথরিবসি স্কুল করবারনা ওইরে। স্কুলদদি শোৎপা য়াদে। অঙাং লাইরিক চাংচৎতা হৈবা হৈতবগী ৱারা মানা মানা থোকপনি। মার্ক য়াম্না ফংবা মহৈরোয় ৫/৬ পুথোকখ্রগা লোইরে, দষ্টবিন্দা থাদখিবা অঙাং কয়া য়াওগনি। স্কুলদং মমিং চৎহনখ্রগা লোইরে। সোমদনি থাদরিবা কোকসি। মদুগুম্বা স্কুলশিংদুদনি চোঙশিন চোঙশিন্দুনা তমগদৌরিবসু।

অফবা হায়গদ্রা মার্ক ৱাংনা ফংবা মহৈরোয় খরগদি পুথোকখ্রে হায়ববু লেমহৌরিবা মহৈরোয় লিশীং লিশীংদুনা কমদৌহৌবা তারিবা। মচঙ ওইনা খনগৎখিবদি খরতনি। লেমহৌরিবনা ওপার অমনি। লাইরিক তম্লবনি হায়দুনা লুপা লাক্ষ লাক্ষতি হুন্দোকখ্রগা করিমত্তসু তৌহৌবা ফংদ্রবশিংগী খল্লুবদা ওন্থোক্না নুংঙাইতবা ফাওই। অরেম্বদা হুন্দোকখিবা শেলগা মান্নরে। লাইরিক্কী ৱাদি খরা পংতম তম্লগা মপুন্সিদু হীংবদা নুংঙাইনবা শেল তুংশিনবরোমদা চথবনা ফরে হায়নবসু য়াওরক্লি। হেক মরোল থোরকপদগী, প্রী নর্সরিদগী হৌরগা গ্রেজুয়েট, এম এ, এম এ সী ফাওবা তম্লকপদা য়ামদ্রবদা লুপা লাক্ষ ৩০/৪০ চঙখিবদু মচিৎ মচিৎ হুন্দোকখিগদৌ শরুক চহী চহীগী ওইনা দিপোজিৎ তৌবীরগা চহী ২০ মুক শুরগা পুল্লপ লৌথোক্লগা করিনোমা তৌহল্লগদি অঙাংদু মী অদুম ওইরেনে। শেলনা শেল তানবদি লায়খ্রবা ৱানি। পাঙ্গলতনা তাল্লকপা শেলনা শেঞ্জাউ পায়রক্কনিদি হায়বা ৱাসিনি মী খরখক্কী ৱানি। অদুনদি ঐখোয়গী হৌজিক্কী লাইরিক মতম্বীসি কদায়দনো শোয়বা অমদি য়াওরি। লাইরিক তম্লিবনি হায়দুনা মতম মাঙহন্নবা ফীভমদা তারবা ঙাঙনরি। মরম অদুনা হৌজিক্কী মতমদদি স্কিল দিভলপমেন্টরোমদা কোক থাদবা অদুক্কী মতিক মরু ওইরক্লি। য়ামদ্রবদা টেন, টুয়েল্ভ, গ্রেজুয়েট ফাওবদি তঙাইফদনা তমহল্লগা লাইরিক্তা ওইররোইদৌবদুদি শেঞ্জাও থাদরুবগী কান্নবা লৈতে। নূংথঙ পায়গদবা খূৎনা কলম পায়বা হায়বা ৱা অমসু লৈরি।

লাইরিক খরা খরা তমহৌবা নত্তনা শুকতম তমহৌদ্রবা অঙাংশিংসু পাক চাউখ্রবা ভারত বর্ষগী মনুংদা লাক্ষ লাক্ষনা খুজিং ওইদুনা লৈরি। ইবা পাবা ফাওবা থোক্তবা অঙাংশিং অদুদি কয়াদা লাইবক থীরবনো। ফনা হায়বা শাবনি হৌজিক্কী মতম অসিদদি লাইরিক তমদবা শুকয়া য়াদ্রবা মতাংনি। লাইরিক হৈতবা মুখৎনবা পান্দমদা ফ্রী এন্দ কম্পলসরি এদ্যুকেসন হায়বা এক্ট অমসু চৎনরি। চহী ১৪গী মথক ফাওবদি লেম্না লাইরিক তমহনবগী খোঙথাংসু লৌখৎলি। তৌবতবু চীংয়া, চীংনুং, খুঙ্গং কয়াদা হিংনবগী লানফম থেংনবদা হেন্দ টু মাউথতা হিংবা লায়বা ইমুং কয়া লৈরি। নোংমগী হাতে-হাতে হিংনবা হোৎনবদা মবুক থন্না চাবা ফংজদ্রবা কয়া অসিগী তুংগী লাইবক করিনো! হিংনবা হোৎনবদা লাইরিক তম্বা শংজদ্রবা অঙাং কয়া লৈরি। হিংনবা হোৎনরকপদা শেল তানবা থোরকপা মরাইবক থীরবা অঙাংশিংনা মীগী হেল্পর ওইনবা, হোটেলদা, ৱার্কশোপ্তা, থবক শূফমদা থবক শূজগে থোরক্লি। মখোয়গী লায়রবগী খুদোংচাবা লৌরগা শেঞ্জাও পায়বশিংনা থবক শূহল্লগা খূৎশূমলনা য়াম্না তানা পীবসু য়াওরি। অঙাংশিংবু নমথবীবগী চৎনবী অসি মুখৎনবগী পান্দমদা চহী খুদিংগী জুন ১২দা 'দি ৱর্ল্ড দে এগেনষ্ট চাইল্ড লেবর' পাঙথোক্লরি। এন্টি চাইল্ড লেবর দে অসি হয়েং য়ূমশকৈশ নুমিৎ অসিদসু পাঙথোক্কদৌরি। ঐখোয়গী লমদমসিগী ওইনসু ওর্ফান সেন্টর কয়া লৈজরগসু, মমা মপানা থওইবীদ্রবা অঙাংশিংনা মশা হিংজনবা নৎত্রগা য়ূমগী মতেং পাঙনবা থোরকপা অঙাং কয়াসু লৈরি। হৌজিক হৌরক্লিবা অঙাংশিং লমদম অসিগী লননি। মখোয় তুংগী ফীভম শেমজনবা লৈঙাক অসিনা অহেনবা মীৎয়েং চঙবীফম থোকই। ফোর্স লেবর, মীনাই-নাইথাং অমদি হ্যুমেন ট্রাফিক্কিং অসি কুমজা ২০২৫গী মনুংদা মুখৎনবা হোৎনগনি হায়না লাউথোকপসু লৈখ্রে। তশেংবদি দি ৱর্ল্ড দে এগেনষ্ট চাইল্ড লেবরগী থৌরম পাঙথোকপা হৌখবসি কুমজা ২০০২দগীনি। লৈঙাক্লা এমপ্লোয়র, ৱার্কর, ওর্গনাইজেসন, সিভিল সোসাইটি অমদি মালেমদা লৈরিবা মীওই মিল্লিয়ন কয়ানা অঙাংশিংগী তুংগী পুন্সি কনবীনবা হোৎনরিবসিদা পূন্না শৌগৎমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। তৌবতবু নুমিৎসিদংবু নীংশিংবখক্তরা নৎত্রগা মখোয়গীদমক্তদি করি অহেনবা থবক তৌবীগদৌরি, হংবা য়াবা ৱাহংনি।

# ককচীংগী লাই-তীন থাজ ৱারীদা পাজি খোংনাং : খোংনাংগী মতিক ময়াই হেনগৎহল্লিবা চীনবুং ৱারীনি

**ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী**

মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদা খুল্লিংদুনা লৈরিবা মীওই ফুরুপ খুদিংমক্কী মশা মশাগী ওইবা চীনবুং ৱারী মশীং মপান নাইদবমখৈ মপা মপুশিংনা থম্বীরম্মী। হায়রিবশিং অসি মীওইবা খুন্নাইদা ৱাখল লৌশিং হেনগৎহনবগা লোয়ননা মাগী মাগী ফুরুপ অদুগী চৎন লোনচৎ, পুন্সি মহিং, থৌসু-থৌচৎ, লাইনীং-লাইচৎ, নাৎ কয়া অসিগী মমি ফজনা তাই। ৱারীশিং অসিগী মনুংদা মীওইবা অমদি শা-উচেক, উপাল-ৱাপাল, চীং, পাৎ তুরেল, নাপী-শিংবী, মদুদসু নত্তনা নুমিৎ, থা-থৱান্মীচাক্লচিংবা কয়া অসি অমগা অমগা তৎন-থানবা য়াদবা মরী লৈনৈ হায়বদু ময়েক লানা উৎপা ৱারী ময়াম অমা য়াওরি। মণিপুরদা খুন্দারিবা মীওই কাঙলূপ অমদি খুন-খুনগী ওইবা থাজ ৱারী ময়াম অমা চীন্থাং য়ৈনা মীরোল মথং-মথং লান্না লীনরক্তুনা অইবা লাইরিক ওইনা লৈবসু য়াওরে।

ককচীং কাঙলূপকীসু থাজ ৱারী মরাং কায়না লৈরম্মী। অঙাং ওইরিঙৈ মতমদনি, নুপীশোয় মথি ফোংলিঙৈদা থেংনরুবশিংনা খুদোংথীবা নংবগী, নাউদম থিংঙেন্দা মশম শাংবী নুপী অমা অহিং নোংয়াই চবুক, মীচিক মীরাওখোল তাদবা মতমদা ফি শূবগী, অহিংদা নোংথি নোংমংবদা অঙাং কপ্পগী মখোল তাহল্লগা তারুরিবা মী অদু পুথোকপা, পাজি খোংনাংনচিংবগী ৱারী কয়া অহল-লমনশিংনা লীবিখি। নুমিদাং থাবলদুদা ঐখোয়গীদা খঙদে মীগীদা খঙদে মাঙ্গোল দারিদা খোঙ য়ান্থরগা পরেং শানা ফমজবশাই ঐখোয়দো। মিনেৎপিরা ৱাকানবীরা, মচা চেনবীরা (উরাউবী) নুমিদাং থাবলদা হেক হেক শান্নবনি। নোংমফাদোকসু শান্নবা লেপ্পগা ৱারী ওইনা তানীংলকপসু য়াওখিবনি। তৌববুদি ৱারী শূবা পামজবা অহলশিংনা ঐখোয়বু কাইহৌবিবা ময়াম অমসু য়াওখি। মখোয়না খজিক্তং কাঙথোরকপদা লীবিয়ু লীবিয়ু হায়না ঐখোয় ময়াম চঙদুনা গৃ-গৃ তক্লগা লীহনবা ঙাক্তনি, ৱারীদু তারিঙৈদদি ইথন-ইথন মতাই থংলোইদবগী তান্নবদুদি, ওন্থোকপা মতৌনি। নুমিদাংগা ওইরে য়ূমদা হঞ্জিনবদা অহল অমনা থিনবীদ্রবদি ঐখোয়খক্তমক চৎপা ঙম্বে ৱা লৈতে। থোংজিন য়ৌরকপদা কানশিনবা হানবা তান্নবগী মতৌদুদি অয়েংবা অমনা য়েংগে হায়না য়েংলবদি ফনা নুংঙাইরমগনি। মদুসু থোঙ ঙাকপা লাইনা লুশমদা পায়রগা খংইন ইনবগীনি হেক্তমক হায়বীবনি। মদুদবু কিদনীংঙাই মরম লৈবরা? মতম অদুদা লীবিখিবা ৱারীশিংদগী ফংখিবা মহাউদি অকিবা অদুখক্লি হায়বা য়াই। ঙসিদি ফোকলোরগী মরমদা অখঙ অহৈশিংনা থম্বীরম্বা খরা থেংনজরুবা, নৈনজরুবা খরনা থাজ ৱারীগী থাক অসি অদুক্কী মতিক ৱাংনা লৈরম্লে হায়না থমজগে।

ককচীংগী থাজ ৱারীশিংগী মনুংদা পাজি খোংনাং হায়রগা খঙনবা খোংনাং অনী অসি ককচীংগী পুৱারীগা শাগোন্নরিবনি। মণিপুরদা হিন্দু লাইনীংনা মকা ফন্না শাৎকাইরকপা মতমগা মরী লৈনবা থৌদোক্কী ৱারীনি। লৌয়াই লম্বী হায়না খঙনবা ককচীং খোংনাং মরি ফাংবদগী পল্লেন তাবা লম্বীগী হেক তাইনবা নোংচুপ্তা চেল্লিবা থৈগোং (ঈথৈ লৌখোং) গী নোংপোক থংবা মপান্দা খোংনাং অনী খা ৱাং খন্থ্রাংননা হৌরি। শ্রীশ্রী নরসিংহ ঠাকুর লাইশঙগী নোংপোক থংবা কোন্থোংগা তাইনবদা থৈগোং অদু লানশিন্দ্রিঙৈদা থোংখোংগী মখা থংবা মায়কৈদা চীং লেম্না হৌরিবা খোংনাং পান্বী অনীনি। অচম্বা খোংনাং নত্তে, মতিক ময়াই লৈরবা কনাগুম্বা অমগী নীংশিং পান্বীনি। ককচীং পাজি লৈকায় ৱার্দ নম্বর ৯দা লৈরিবা শ্রীশ্রী নরসিংহ ঠাকুরবু ককচীংদা লাৎপা হৌখিবগী ৱারীবু মীরোল খুদিংমক্তা লীদুনা লেপ্লিবা খোংনাংনি। অহল লমনশিংনা থম্বীরম্বা মরী লৈনবা ৱারী ৱাখোঙ থমজরি, "মতম অদু চহী তরেৎ খুন্তাকপা মতমনি। অৱাগী মখূত্তগী মণিপুরবু নীংতমহন্নবা গম্ভির সিংহ নরসিংহ মচিন মনাওগী লুচিং মখাদা বৃটিশ তেঙ্গোলগা খূৎশম্নদুনা অৱাগা লান শোক্লখি। নরসিংহগী লাম্মী তেঙ্গোলনা ককচীংদা থুংলদুনা উয়োক চীংজিন্দা লৈরম্মী। মহাক্কী তেঙ্গোলনা অৱাবু তকথোক্তুনা তমু ফাওবা তকথোক্লবা ইন্নখি। মহাক্না ককচীংদা লৈরিঙৈ মতমদা লাৎলম্বা লাই, শ্রীশ্রী নরসিংহ ঠাকুরগী শলিগ্রাম অদু কাউথোক্লম্বদগী ককচীংদা লৈহৌখি। লান লোইখ্রবা মতুংদা নোংমা ককচীং তুরেল ৱাংমদা লৈবা য়েংখোম সুভান্দোনা শলিগ্রাম অদু মখা লৈকায় জোয়ো খোংনাং ময়াদগী ফংখি। মহাক্কী মমাঙদা বিষ্ণু লেঙবীরক্তুনা মহাকপু লাৎচরো হায়না তাকপীরম্মী। মীকপ থোক্লবা মতুংদা মতিক ময়াই লৈবা লাই অমা শোয়দনা ওইফম থোকই হায়না খনবদগী অহল লমনশিংদা থোকখিবশিং অদু শুগাইনা পাউদল্লম্মী। মতৌ অসুম্না অহল-লমন ময়াম চঙদুনা ককচীং তুরেল ৱাংমদা লৈবা ক্ষেত্রিময়ূম চন্দ্র সিংহগী ইঙ্খোলদা লাইশঙ মচা অমা শাদুনা সুভান্দোনা সেবারী ওইহন্দুনা লাৎখি।

অৱাগী মখূত্তগী মণিপুর নীংতম্লবা মতুংদা গম্ভীর সিংহনা নিংথৌ অমদি নরসিংহনা য়ুবরাজ ওইদুনা পানখি। নিংথৌগী চৈরাক কিবদগী ককচীং নিংথৌ খনবা অঙম্বশিং য়াওনা শলিগ্রাম অদু সনা কোনুংদা থিনগৎলম্মী। মাগী শলিগ্রাম অদু অমুক হন্না ফংজবদা মনাউ ইবুংঙো নরসিংহ অদুক্কী মতিক হরাউজখি। অঙকপদি শলিগ্রাম থিনগৎলুবা অহল লমনশিংনা



ককচীংদা থুংলবা মতমদা হান্নগী লাইশঙ অদুদা লেঙদনা লৈরমখি। অমুক হন্না সনা কোনুংদা থিনগৎলুবদা ককচীংনা লাৎচরো হায়না মনাউ ইবুংঙোনা থৌজানবীরকখি। মমৈথংদা নুপী অঙাং লৈতবা সুভান্দো লম্বোইবা ওইদুনা বাবাজি চরনদাস হায়বা মিং ওন্থোকপগা লোয়ননা মহাকপু ককচীং মীয়াম্না পাজি হায়না কৌনরম্মী। "পাজি কনানো হায়বগী মতাংদা ময়াংলম্বম প্রলহাদনা ইবা ককচীংদা শ্রীশ্রী নরসিংহ ঠাকুর হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসিদা অসুম্না ইরি, "ককচীং তুরেল ৱাংমগী সুভান্দো (শ্রীশ্রী নরসিংহ ঠাকুরগী শলিগ্রামচন্দ্র খূনখিবা) নুপা অসি মহাক্না অঙাং ওইরিঙৈদা মমা মপা অনীমক লৈখিদবদগী চরাংপাত্তগী লাক্তুনা ককচীং তুরেল ৱাংমদা লৈবা য়েংখোম তিলোক সিংহগী য়ূমদা য়োক্তুনা ষণশেন ষণঙাক তৌদুনা চাউরকখি। মহাক অঙাং ওইনা ইমুং অদুদা চাউরকপদগী ইমুং অদুগী মীওই অমা ওইরকখি। মহাক ময়ূম পান্দনা লম্বোইখি। মহাক্না সন্যাস লৌরবা মতুংদা চরণদাস হায়না মিংথোনখি। ককচীংগী মীওইশিংনা পাজি চরণদাস নৎত্রগা পাজি লম্বোইবা হায়না খঙনৈ।"

পাজি অসিগী মমিং লৌদুনা পাজি লৈকায় থোনখিবনি হায়বগী ৱাফমসু লৈ। মহাক্না লৈখিদ্রবা মতুংদা মহাকসু পোৎলোইখিবা মফম অদুদা থাখিবা সনা খোংনাং পান্বীনি হায়বা ৱাফম থম্বীরি। অদুবু অহল লমন খরনা ৱারীনবগী মতুং ইন্নদি হায়রিবা লাইওইরবা খোংনাং পান্বী অনী অসি মথন্নতা হৌজরকপনি হায়নৈ। অওইবা অমা ওইজসনু, খোংনাং পান্বী অনী অসি পাজি মশামক্লি খন্না ঙসি ফাওবা ঈরাৎনরি। মদুদসু নত্তনা অনী অসিগী মখাদা মতম মতমগী ওইবা কুম্মৈ ফিয়োং লাকপা মতমদা ইমা ইবেন কয়ানা লদু, হৈঙান, কংঙৌ, বোরা, শিংজুনচিংবা য়োনবগী লুকমায় ফল্লম্মী। অসিগুম্লবা খোংনাং অনী অসিগা শাগোন্নরিবা পাজিগী মতিক ময়াই চেল্লবা অঙকপা ৱারী অমসু লৈ। নোংমা লংফৈদা থবক শূবা চৎলুবা খরগা পাজিগা ককচীং লৈঙাংদা হৌবা খোংনাং মনাক্তা থেংনরম্মী। মতমদুদা মখোঙদা খুরুম অমা তোংলগা য়েম্পাক অমা পায়রম্মী। মীওইশিং অদুনা কদাইদা চৎপীগদবনো হায়না হংলুবা মতমদা বৃন্দাবন চৎলিবনি হায়না খুম্লম্মী। মখোয়না য়ূমদা থুংলবা মতমদদি পাজিগী অশিবা হকচাংদু পোৎলোইরম্বা থেংনরম্মী। অসিগুম্লবা অঙকপা অকিবা পাউ অসি ককচীং থুংনা শন্দোকখিরম্মী।

ককচীংদা মমিং লৈরবা খোংনাং খরা লৈরম্মী। মশক উবা ফংখিদ্রবা খরদি, শেংগ্রোং খোংনাং, খোংনাং অৱাংবা, খোংনাং মরি ফাংবা, পঞ্জাউ খোংনাং, খোংনাংচা, জোয়ো খোংনাং, খোংনাং লমতৈনচিংবনি। পাজিগী থাজ ৱারীসিগা শাগোন্নরমদ্রবদি পাজি খোংনাংগী মরাইবক করি ওইরমগদবা? মরমদি চাওখৎপগী মিংদা লম্বী মপান্দা হৌবা মতিক ময়াই লৈরবা উপান্বী কয়াগী পুন্সি লোইশিনহনখ্রবনি, উ থাবগী থৌরম পাক শন্না পাঙথোক্লরবসু। পাজি খোংনাং নঙগী ৱারী লোইশিনখিনুকো, মীরোন মীরোন মথং-মথং লান্না পাউদম্বীখোকো।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।